# পিএমগী ম্যান্মার খোঙচংতা ইম্ফাল- মন্দলে বস সার্ভিস লৈহন্নবা সাইন তৌনগদৌরি

*নিউ দিল্লি, মে ২৪ঃ* ভারত অমসুং ম্যান্মার অনিগী মরক্তা অফবা লাকপগা লোয়ননা লাক্কদৌরিবা নোংমাইজিং নুমিৎতগী হৌগদৌরিবা প্রাইম মিনিষ্টর ডা: মনমোহোন সিংহগী সাউথ ইষ্ট এসিয়ান কন্ট্রিগী নুমিৎ হুমনিগী খোঙচৎ মনুংদা ইম্ফালদগী
ম্যান্মারগী মন্দলে ফাওবগী বস সার্ভিস লৈহন্নবা পেক্ট অমা সাইন তৌনগদৌরি।

ঙসি প্রাইম মিনিষ্টর ডা: মনমোহোন সিংহগী ওফিসিয়েল রেসিদেন্সতা প্রাইম মিনিষ্টর মশামক্না চেয়ার লৌদুনা পাঙথোকখিবা কেবিনেট মীফমনা মণিপুরগী ইম্ফালদগী ম্যান্মারগী
মন্দলে ফাওবা বস সার্ভিস লৈহন্নবগী পেক্ট অমা সাইন তৌননবগী ৱাফম অসি ইন প্রিন্সিপাল ওইনা অয়াবা পীখিবনি।

লৈবাক অনিগী মরক্তা বস সার্ভিস লৈহনবা অসিনা ম্যান্মার অমসুং ইন্দিয়া মরুওইনা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংগী মীওইশিং অনিগী মরক্তা হকথেংননা ইন্টরেক্সন তৌনবা অমসুং ললোন ইতিক্কী থবক্তা হেন্না খুমাং চাওশিনহল্লগনি হায়রি।

সাউথ ইষ্ট এসিয়া কন্ট্রিগী খোঙচৎ মনুং চন্না প্রাইম মিনিষ্টর ডা: মনমোহোন সিংহগী ম্যান্মার খোঙচৎ অসিনা লৈবাক অনিগী মরক্তা ললোন ইতিক্কী থবক হেন্না পাকথোক-চাওথোকহল্লগনি। লোয়ননা ইম্ফালদগী ম্যান্মারগী
মন্দলে ফাওবগী বস সার্ভিস লৈহন্নবগী পেক্ট অসি প্রাইম মিনিষ্টর ডা: মনমোহোন সিংহ অমসুং ম্যান্মারগী প্রসিদেন্ট থিএলসিয়েল অনিনা লৈবাক্কুগী কেপিটেল নে পৈ তাওদা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ৱারী শান্নরবা মতুং সাইন তৌনগদবনি হায়রি।